# সনালৈবাক স্পোর্টস

FRIDAY, JANUARY 10, 2014, PAGE 7




অষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা শরুক য়ানবা শেম শারিবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রফেদ নদাল

বর্সেলোনানা গেতাফিবু মায়থিবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লোয়েন মেসি অমদি মহাক্কী টিম মেটকা গোল চনবগী হরাওবা ফোঙদোকপা



## জ্বালা গুট্টা ১দি অশ্বিনি পোনাপা কোরিয়ান ওপনদগী মপান থোকখ্রে



*সিওল, জনুৱারী ০৯ঃ* কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা বেটমিন্টন মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা জ্বালা গুট্টা অমদি অশ্বিনি পোনাপা মফম অসিদা চথুরিবা যু এস দোল্লর লাক্ষ ৬ না শিনবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেটমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

মখোয় অনিবু কোরিয়াগী ৱুমেন্স দলব টিম য়ে না জাং অমদি সো য়ুং কিমনা অহুমশুবা রাউন্দ অসিদা ১৮-২১, ১২-২১ দা মায়থিবা পীখিবনি। মখোয়বু মায়থিবা পীরিবা শান্নরোই অনি অসি দবলসকী ৱার্ল্ডগী রেঙ্কিংদা অহুমশুবা সিদতা লৈরি।

অমরোমদা অশ্বিনি পোনাপাদি মিক্স দবলগী মেটচতসু মায়থিবা নংখি। মহাক্না মহাক্কী পার্টনর তরুন কোনাগা পুন্না শান্নখিবা মিক্স দবলগী মেটচ অদুদা তরেৎশুবা সিটতা লৈরিবা জর্ম্মনগী মাইকেল ফুচস অমদি বিরগীট মাইকেলনা ২১-১০, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসি শান্নবদা চাওরাক্না মিনিট ৩৫ চঙখি।

## অভিজিৎ গুপ্তনা গ্রান্দমাষ্টর কয়াগা লম্বা তৌগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৯ঃ* ন্যু দিল্লিগী লুদলো কেসলস স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরিবা ১২ শুবা প্রসোনা দিল্লি ইন্টর্নেসনেল গ্রান্দ মাষ্টর চেছ টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড জুনিয়ার চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর ওইবা ঙমখ্রবা অভিজিৎ গুপ্তনা নৌনা মায় পাকপগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অনৌবা আশা তৌদুনা গ্রান্দ মাষ্টর কয়াম অমগা লাম্বা তৌগদৌরি।

প্রেমিয়র এ গ্রুপ অসিদা শরুক য়ানবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মীওই ১৩০ লাকপগী মনুংদা গ্রান্দ মাষ্টর ২৪ য়াওরি। মখোয়গী মনুংদা নুপী গ্রান্দমাষ্টর ১ য়াওরি। মহাক অসি ২৪ শুবা ইন্টরনেস্নেল মাষ্টরদা শরুক য়ারুবনি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা টাইটল ৫০ হেন্না লৌখ্রবা শান্নরোই অমসুনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অতোপ্পা গ্রুপকী ইভেন্টতা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ১০০০ লাকপগী মনুংদা মীওই ৮৯৯ শরুক য়াগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসি হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী য়াম্না শেলগী এৱার্দ পীবা চেম্পিয়নশিপ অমসু ওইগদৌরি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা রাউন্দ ১০ থোক্লা শান্নগনি।

মসিদা শরুক য়ারিবা গ্রান্দ মাষ্টরশিংগী মনুংদা যুক্রেনগী মার্টিন করাবিটস, জোর্জিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর লেবান পান্সুলাই অমদি গুপ্তা য়াওরি। গুপ্তা হন্দক্তা অল অনি ক্লাসিক্তা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা অহুমশুবা সিটতা লৈরিবা শান্নরোইনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা লোকেলগী ষ্টার গ্রান্দ মাষ্টর ভাইভা সুরি অমদি সহাজ গোভর য়াওরি। টুর্নামেন্ট অসি স্বিজ রুলগী মখাদা রাউন্দ ১০ থোক্লা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বি সেক্সন্দা শান্নরোই লিশিং ২ অদুগা সি সেক্সন্দনা শান্নরোই ১৬০০ ফাওবনা শরুক য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী দাইত্ব লৌরিবা ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসন অমদি দিল্লি চেছ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা সি ই ও সু ওইরিবা ভারত সিংহ চৌহাননা ফোঙদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অসি নেস্নেলগী অমদি ইন্টর্নেসনেলগী ওইনা অচৌবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগনি। মসি গুরগাওগী সন সিটিদা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মতুংদা শান্নবা হৌগনি হায়রি।

## সোসি ওলেম্পিক মাংওইননা অশিবা হকচাং ৫ থেনরে

*মোস্কো, জনুৱারী ০৯ঃ* রুসিয়ানা যুম্বু ওইদুনা মথং থাদগী হৌনা সোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা নক্লনা লৈবা খা থংবা শরুক্তা নোংমৈনা পাল্লবা অশিবা হকচাং ৫ থেংনখ্রে।

ঙসি রুসিয়াগী কাউন্টর টেরোরিষ্ট ওপরেসন অমা চখবদা ৱিন্টর ওলেম্পিক পাঙথোক্কদৌরিবা সোচিগা নক্লবা ষ্ট্রাভ্রোপোলগী দিষ্ট্রিক্ট অনিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈনা পাল্লবা হকচাং মঙা অদু ফংখি। মখোয়গী হকচাংশিং অদু কার অমগী মনুংদা য়াওরম্বা থেংনরকখিবনি।

পুলিসনা অশিবা হকচাং অমা য়াওবা কার অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংবদা গ্যাডী মনুংদা মকোক্তা নোংমৈনা পাল্লগা লৈরম্বা থেংনখি। অশিবা হকচাং অদুগা ইনক নক্লনা এম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসি দিভাইস (আই ই দি) খরসু লৈরম্বা থেংনৈ। মসি এফ এস বিনা তৌবনি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খা থংবা রুসিয়াগী শরুকশিংদা তোঙান তোঙানবা পোকখাইবা য়াবা পোৎলম কয়া য়াওবা থেংনবগা লোয়ননা মফম অদুৱাইদা বোমগুম্বা পোকখাইখিবগী খুদমসু ফংই। গ্যাডী মনুংদা শিনা লৈরম্বা মীওইশিংগী মনুংদা অনি অমদি মনাক নকপা অদুৱাইদা লৈবা টেক্সি থৌদুনা হিংবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা হকচাং অনি অদুদি মীহাৎপশিংদুনা ফারকপা ওইগনি হায়না এফ এস বি গী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখি।



## সেরোনি সিম্পসননা সপ্লিমেন্ট শিজিন্নখিবা লৈতেঃঅসাফা



*কিংসটোন, জমাইকা, জনুৱারী ০৯ঃ* জমাইকাগী মতম অমগী ১০০ মিটর রেসতা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা অসাফা পোৱেলনা ফোঙদোকখিবদা সেরোনি সিম্পসননা সপ্লিমেন্ট ফুদ শিজিন্নখিবা থেংনদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী এঠলেট সেরোনিবু জমাইকান এন্টি দোপ্পিং কম্মিসন দিসিপ্লিনরি পেনেলনা মহাকপু ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি (ৱাদা) না য়াদে হায়না থিংখ্রবা সপ্লিমেন্ট ফুদশিং শিজিন্নে হায়বগী মরালদা শান্নরোই অসিবু হৌজিক ফাওবা অথিংবা থল্লি।

অসাফানা পেনেল অসিদা লাক্কুনা সেরোনিগী ৱিকনেস ওইনা মহাক্কী ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা সেরোনিনা সপ্লিমেন্ট ফুদ শিজিন্নখিবা লৈতে হায়খি। মখোয় অনিমক দিসিপ্লিনরি পেনেল অসিনা শিজিন্নবা য়াদে হায়বশিং অসি শিজিন্নে হায়বগী মরালদা মখোয়গী অনিগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওই হায়না মমাং চহিগী জুনদগী অথিংবা থল্লকখিবনি।

মখোয় অনিগী শিজিন্নে হায়রিবা ৱাদানা অথিংবা থমদুনা শিজিন্নবা য়ারোই হায়রিবা সপ্লিমেন্ট ওক্সিলোফেরিন হায়রিবা হিদাক মখল অসি শিজিন্নে হায়দুনা অথিংবা থমখিবনি। মখোয় অনিদা শিজিন্নে হায়বগী মরালদা অথিংবা থল্লগসু মখোয়গী দ্রগ টেষ্ট অদুদি ফেল ওইখ্রে। অসাফানা মখা তানা হায়খিবদা দ্রগ টেষ্ট অদুদা মায়থিরবসু মখোয় অনিমক চপ মান্নবা মখলগী হিদাক অসি শিজিন্নে হায়না দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা পল্লি।

## আইসিসি না পীবা ৱানদে ইন্টরনেস্নেলগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা তোপতা লৈরি



*দুবাই, জনুৱারী ০৯ঃ* ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা পীবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াদা ৱান ডে ইন্টর্নেসনেল সেরিজগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা টোপতা লৈরি। হন্দক নিউ জলেন্দদা চৎতুনা লৈবাক অদুগা শান্নগদৌরিবা ৱান ডে ইন্টর্নেসনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা নিউজলেন্দবু মাইথিবা পীবা ঙল্লবদি মহেন্দ্রসিংহ ধোনিনা লুচিংবা টিম অসিনা মখা তানা ৱান ডেগী রেঙ্কিং অসিদা অদুমক লৈখিগনি।

হৌজিক ফাওবদা আই সি সি না পীবা রেঙ্কিংদা অষ্ট্রেলিয়ানা অনিশুবা রেঙ্কিংদা লৈরি। অদুগা ইংলন্দনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। ইং ২০১২ গী জুলাই ফাওবদা অষ্ট্রেলিয়ানা ৱান ডেগী রেঙ্কিংদা মকোক্তা লৈরম্মী। অদুবু চহি অদুগী দিসেম্বর থাদা ইংলন্দনা অমুক তোপ পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি। হৌজিক লৈবাক অনিসিগী মনুংদা অমনা টোপ পোজিসন অসিদা লাকপা য়াবগী তঙ্গা অমদি লৈ। ইন্দিয়ানা জনুৱারি ১৯ দগী ন্যুজলেন্দনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান ডে ইন্টর্নেসনেল অসিদা ধোনিনা লুচিংবা ইন্দিয়া টিমনা মখোয়না লৈরিবা স্পোট অসি মেইনটেইন তৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। ইন্দিয়া টিমদা য়াওরিবা বেটচমেন ভিরাট কোহলি অসি ইন্দিয়াগী ওইনা হায়য়েষ্ট রেঙ্কিংদা লৈরগসু আই সি সি না পীবা রেঙ্কিংদদি অনিশুবদা লৈ। অদুগা সিকারি ধৱাননা ১০ শুবদা লৈরি। বোল্লিংগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জাদেজা অসি টোপতা লৈরগসু আই সি সিগী রেঙ্কিংদদি ৬ শুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা আর অশ্বিননা ১৬ শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## কবিতা কাজল ১সুং রাসিমি ক্বর্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ০৯ঃ* ওল ইন্দিয়া পব্লিক সেক্টর কেরোম টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী ৪ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা রিজার্ভ বেঙ্ককী নুপী শান্নরোই কবিতা সোমানচি অমদি বি এস এন এলগী গীতা দেবী ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে।

মখোয় অনিনা মখোয়গী লাম্বাশিংবু ২৫-১০, ২৫-১০ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখিবনি। প্রি ক্বাটর ফাইনেলগী অতোপ্পা মেটচশিংদা ইন্দিয়ান ওইলগী কাজল কুমারিনা লাইফ ইন্সরেন্স কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সিল্পা পালনিটকরবু ১১-২৫, ২৫-০, ২৫-১২ তা থোইখ্রে। সিল্পা অসি মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী চেম্পিয়ননি। মহাক্না মমাংদা শান্নখিবা মেটচতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবা ও এন জি সি গী এস ইলাভক্সাকিবু ০-২৫, ২৫-১১, ২৫-১৬ দা থোইদুনা অনিশুবা রাউন্দ চঙলকখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়ান ওইলগী খুসবু কুমারিনা মাধুরি তয়াসেটেবু ২৫-১, ১৪-২৫, ২৫-১৯ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা হান্নগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা এল আই সি গী এস অপ্রোভানা বি এস এন এল গী বন্তি লাইশ্রমবু ২৫-৪, ২৫-১১ দা মায়থিবা পীখি।

হৌজিক হৌজিক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা রসমি কুমারিনা মহাক্না শান্নখিবা শান্নরোইশিংবু মায়থিবা পীদুনা মহাকসু ক্বাটর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

নুপা টিমগী কাংলুপ্তা জোন ৱান ওইরিবা ইন্দিয়ান ওইলনা জোন টু ওইরিবা রিজার্ভ বেঙ্ক ওপ ইন্দিয়াবু পোইন্ট ৬ তা অদুগা জোন টু বি ওইরিবা এয়ার ইন্দিয়া বিনা এয়ার ইন্দিয়া এবু পোইন্ট ৬ তা মায়থিবা পীখি।

## নেস্নেল এঠলেটিক জুন থাদা পাঙথোক্কনি

*মুম্বাই, জনুৱারী ০৯ঃ* এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নেস্নেল ইন্টর ষ্টেট এঠলেটিক চেম্পিয়নশিপ লক্ষ্ণৌদা পাঙথোক্কনি। অদুগা ফেদরেসন কম চেম্পয়নশিপ্পা আগষ্ট থাদা পতিয়ালাদা পাঙথোক্কনি হায়রি। মসিদগী খনগৎলবা এঠলেটশিংনা চহি অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মন ৱেলঠ অমদি এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

ইন্টর ষ্টেটকী চেম্পিয়নশিপ অসি উত্তর প্রদেশনা যুম্বু ওইদুনা জুনগী ১৮ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসি স্কোটলেন্দগী গার্লস গ্রোদা জুলাই ২১ দগী আগষ্ট ৪ ফাওবা চথুগদৌরিবা কম্মন ৱেলঠ গেমসকী মাংওইননা শিনবনি।

ফেদরেসন কপ এঠলেটিক অসিনা আগষ্টকী ১৬ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিনা সাউথ কোরিয়াগী ইনচোনদা সেপ্তেম্বর ২৮ দগী ওক্টোবর ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী মাংওইননা শিনবনি। অনিশুবা নেসনেল ওপন ৱাকিং রেস কম্পিটিসন্না কোচিদা ফেব্রুৱারি ৮ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা হায়রিবা গেমশিং অসিদা শরুক য়াগনি।

## বিরলা ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* য়ুঠ ৱেলফিয়ার ক্লব পাৎসোই পার্ট ৱাননা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১৫ কৈশাম বিরলা মেমোরিয়েল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩-১৪গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পি সি এ পাৎশোইগা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা তাং ১১ দা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা মোদেল ক্লব চিঙা মখাগা তাং ১২ দা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পি সি এ পাৎশোয়না হোক আইস পাওনা বজারবু ৱিকেট ১০ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা টিম অসিগী দিপুনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা তাখি।

হোক আইসনা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভরদ২০ দা ৱিকেট পুন্নমক তুরগা রন ৬৯ লৌখি। ইনিংস অদুদা নিটিশনা বোল ৩৩ দা রন ১৮ অমদি জেমসননা বোল ১৭ তা রন ১৪ লৌখি। পি সি এগী বোল্লর সোমিট অমদি এল দিপুনা মথংশিংনা ওভর ৪ .৫ লংবদা রন ১৫ পীরগা ৱিকেট ৩ অমসুং ওভর ৩ লংবদা রন ২ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি।

পি সি এনা হোক আইসনা থল্লমখিবা টার্গেট রন ৭০ গী পাউখুম পীনবগীদমক অনীশুবা ইনিংস্লি বেটিং তৌখিবদা ৱিকেট অমত্তা দাউন তৌদনা মায় পাকখি। ইনিংস অদুদা জোনিনা বোল ২১ দা রন ৩৯ অমদি সুশিলনা বোল ১৬ তা রন ১৪ লৌখি।

## সব জুনিয়র ভোল্লিবোলগী টিম শেম্নবা শান্নরোই ৩০ খনগৎখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম চেন্নাইদা ফেব্রুৱারি ৭ তগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা সব জুনিয়র নেস্নেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়েল কম কোচিংদা শরুক য়ান্নবা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনন্না প্রোভিজিনেল্লি ওইনা শান্নরোই ৩০ খনগৎখ্রে।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক আউটদোর ভোল্লিবোল কোর্টতা ফুল কিৎসকা লোয়ননা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

শান্নরোইশিং অদুদি ৱাই দি সিগী এ চিত্রসেন সিংহ, এস রাহুল সিংহ, কে ৱাংলেন সিংহ, ৱাই রোনাল্ডো সিংহ, এস ৱাই দি এগী কর্নজিৎ সিংহ, এস সুরেশ সিংহ, এস ইন্দ্রজিৎ সিংহ, এম রোজিৎ সিংহ, পেদৱাগী কে ওপেন্দ্রজিৎ সিংহ, এল নরেশকুমার সিংহ, কে ঐচ মঙলেম্বা সিংহ, এম মালেমঙানবা সিংহ, কে ৱাই ভি এগী কে ঐচ নাওবা সিংহ, আর কে জয়চন্দ্র, এল বিশ্বর্জিৎ সিংহ, এন জি অরুনজিৎ সিংহ, এস য়ু দব্লিউ সিগী টি ঐচ দেবেন্দ্র সিংহ, আই ঙৌবা সিংহ, সি ঐচ নাওতোম্বা সিংহ, আই জি ওগী এম দেদাম্ভা সিংহ, এল হেরোজিৎ সিংহ, এল সুনিল সিংহ, ঐচ বিনোদ সিংহ, সি ঐচ তাজখান, এন ৱাই ভি এগী কে রবি সিংহ, ও পি এস খুমন, এন বুধচন্দ্র সিংহ, এম মনিতোম্বা সিংহ, কে এল ৱাই এগী সি ঐচ রাজেস সিংহ অমদি এস রামেশ্বর সিংহনি।

## য়ুনাকো স্কুল স্পোর্টস মীট লোইশিল্লগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৯ঃ* অকাম্পাৎ গ্রাউন্দ খোঙমনদা ঙরাংদগী চথুরকখিবা য়ুনাকো স্কুল এক্সেলেন্স ইন এদুকেসনগী ৩ শুবা এনুয়েল স্পোর্টস মীট ২০১৩-১৪ হয়েং লোইশিল্লগনি। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মিটর ৪০০ গী লমজেল, টেবল টেনিস, চেছ, কেরোম, লোংজম্প, হায় জম্প, স্মিমিং অমদি ফুটবোলগী মশান্নশিং পাঙথোকখি।


ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)
URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

ANGELS' COACHING CENTRE IMPHAL

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726



Millennium Institute of Sciences

Presents for the first time

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

Special features : AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

Form available from 7th November 2013

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B